ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN® LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনদগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয়গী মনা ফংখ্রবী হৌজিক্না স্কোটলেন্দগী রেঞ্জর্স ফুটবোল ক্লবকী ষ্ট্রাইক্কর ওইরিবী ঙাঙোম বালানা চীফ মিনিষ্টর উন্দুনা খোঙউপ অমা খূদোল তমখিবা

মিরাবাইবু হেন্থোই পাঙ্গলবী মীংথোন পীদুনা ইকায়খুম্নরক্লি
☛ লামায় ২

লিটরেরি সোসাইটিনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি
☛ লামায় ৩

শিজ হোস্পিটালদা ফ্রী হেপাটাইটিস বি অমসুং সী স্ক্রিনিং কেম্প পাঙথোকখ্রে
☛ লামায় ৫

ফ্রী টেক্সি সর্ভিসনা অচৌবা থৌদাং লৌরি
☛ লামায় ৬

স্পেসল ওলিম্পিক্স ২০১৯দা গোল্ড মেদল ১ অমসুং সিলভর মেদল ২ ফংলকখ্রবা নান্দৈবম হেরোজিৎপু পুক্নিং থৌগৎলদুনা উচেক্লোন নোংচুপ জেদ পিগী মেম্বর সেরাম নেকেন্না শেলগী মতেং পাংখিবা

Vol. 45, Issue No. 124 | শগোলশেন, ইঙেনগী ২১নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, July 29, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস পোজিটিভ ওইরে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস): হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস পি ভি সঞ্জয়কুমার (৫৮) কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়রি। পাউচে অসিনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না টেষ্টকী রিজল্ট অসি ঙরাং ফংখিবনি। মহাক্কী লোয়নবী অমসুং অতোপ্পা মীওই অমা ওইদ্রগা মহাকখক্তমক ওইরক্লিবসি কোর্টসিগী পোজিটিভ ওইরবা ষ্টাফ অমনা চীফ জষ্টিসতা কেস অমগা মরী লৈননা পীরকপা চে-চাংশিংদগী লৌনরকপা ওইরম্বা য়াই হায়রি।

ফুটবোল্লর বালানা সী এমদা খোঙউপ খূদোল তমখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০২০-২১গী ওইনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোলগী লূপ ওইরিবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী চহী খূদিংগী পীবা খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয়গী মনা অদু নুপীগী ওইনা ফংখ্রবা মণিপুরগী হৌজিক্না স্কোটলেন্দগী রেঞ্জর্স ফুটবোল ক্লবতা ষ্ট্রাইক্কর ওইনা শান্নরিবা ঙাঙোম বালানা ঙসি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর উন্দুনা খোঙউপ অমা খূদোল তমখ্রে।

ইন্দিয়াগী ফুটবোলদা নুপীগী ওইনা রেকোর্দ কয়া থমখ্রবী অমদি অহানবা ওইনা য়ুরোপিয়ন প্রোফেসনেল ফুটবোলদা শরুক য়ারিবী এন জি বালা স্কোটলেন্দদগী মতম ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

দিবেটিং সোসাইটিনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর দিবেটিং সোসাইটি, শগোলবন্দ তেরা কৈথেলগী পেত্রোন ওইরম্বা প্রোফেসর লাইশ্রম সদানন্দনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তারকপদা উরিপোক নিংথৌখোংজম লৈকায়দা লৈবা এন ইবুংঙোচৌবীগী য়ূমদা সোসাইটি অসিগী অখন্নবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। মীফম অদুনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎখি। মহাক অফবা দিবেটর অমা ওইখিবদা নত্তনা দিবেটিং কম্পিটিসনশিংদা মাঙজিল থানা শরুক য়াখিবগা লোয়নননা তুংগী মীরোলশিংদা দিবেটিং কলচরগী মরু ওইবশিং খঙহনবীরম্বা প্রোফেসরনি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ
খ্বাইদগী শাবা ৩৩.৪৩ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.৫৮ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২.৫৯
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৪১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০০

HL Poll

Q: Kallaba Covid-19 pandemicki second wave mayoknaringei gi cheiraksida manipurgi politicsta achouba ahongba ama lakkadourabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Medal fanglaktrabasu Tokyo Olympic ta saruk yarubi Judokan Sushilabusu leingak amadi meeyamna okpipham thoktabra?

Yes 100% No 0%

অস! লোইরেহে!

- পাবুং ঐনা ৱাকিং চৎপদা হঙোই চোংহল্লক্লে।

- ꯄꯥꯕꯨꯡ ꯑꯩꯅꯥ ꯋꯥꯀꯤꯡ ꯆꯠꯄꯗꯥ ꯍꯉꯣꯏ ꯆꯣꯡꯍꯜꯂꯛꯂꯦ॥



- এস ও পি ঙাক্তুদি নপা ঐসু হঙোই অদুম চোংবা তাবনি।

- ꯑꯦꯁ ꯑꯣ ꯄꯤ ꯉꯥꯛꯇꯨꯗꯤ ꯅꯄꯥ ꯑꯩꯁꯨ ꯍꯉꯣꯏ ꯑꯗꯨꯝ ꯆꯣꯡꯕꯥ ꯇꯥꯕꯅꯤ॥

এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা ইম্ফাল ইষ্টকী লৌবুকশিং হাংকদৌরে

Tradeinfact group

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচএনএস): চহী খরগী মমাঙদগী হৌরকখিবা মণিপুরগী লৌমীশিংনা মখোয়না উজরিবা লৌশিংদা শীজিন্নবগী মথৌ তারকপদা পীবিফম থোকপা হারশিং অমুক্তা মতম চানা পীবিদবা নৎত্রগা অন ওথোরাইজ পার্সনশিংনা অহেনবা মমলদা য়োনবগী মায়োক্নরক্তুনা লাকখিবা খুদোংচাদবশিং ঙসিমকসু মায়োক্নরিবা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট পূম্নমক্কী লৌমীশিংগী মনুংদগীদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লৌমীশিংনা অমুক্কা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্নরকপদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লৌবুকশিং এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা হাংকদৌরে হায়বগী ৱাফম ফাওবা ফোঙদোক্নরক্লে।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অতোপ্পা পাম্বৈ লৈজদ্রবা লৌমীশিংদগী থোরক্লিবা পেন্দবা ৱাকৎশিং অসিদগী পাউচে অসিনা অখন্ননা চথখিবা ইনভেষ্টিগেসন অমদা ফংলকখিবা রিপোর্টশিংনা হায়, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা হৌজিক লৈরিবা লৌবুক পূম্নমক্কী পাক চাউবসি হেক্টর ২৫,৫৮৮নি। হায়রিবা লৌফমশিং অসিগীদমক্তা তঙাইফদনা মথৌ তারিবসি হেক্টর অমমমদা য়ুরিয়া বেগ ৩/৩ পাবদা অপূনবা হেক্টর ২৫,৫৮৮ অসিগীদি য়ুরিয়া বেগ ৭৬,৭৬৪ চঙই হায়রি। অদুবু, হৌজিক কুমগী নোংজুথা মনুংসিগী জুলাই থা লোইশিল্লক্কদৌরবা ফাওবদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী লৌমীশিংদা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ফংহনখিবা য়ুরিয়া বেগশিংগী অপূনবা মশীং শুপ্নতগী ১২,৭০০ খক্তনি হায়রি।

হায়রিবা বেগশিং অসি দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগীদি অহানবা ফেজগীনি হায়বগা লোয়নননা অনীশুবা অমসুং মখা তারকপা ফেজশিংদসু লৌমীশিংদা হার ফংহনখিগনি হায়বা লৈরগসু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অপূনবা লৌফমশিংগীদমক্তা মথৌ তারিবা য়ুরিয়া বেগ ৭৬,৭৬৪ অসিগী মনুংদগী য়ুরিয়া বেগ ১২,৭০০ খক্তমক হৌজিক ফাওবদা ফংহল্লিবনা ৱাৎলিবা পীফম থোকপা য়ুরিয়া বেগশিংগী মশীংসি ৬৪,০৬৪নি হায়রি।

দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী অৱাৎপা হারশিংগী মশীং লৌমীশিংদা শুনবা পীগনি হায়দুনা থাজবা পীরগসু হৌজিক দিষ্ট্রিক্ট অসিগী হায়রিবা হারশিং অসিবু শীজিন্নগদবগী মতম য়ৌরক্লবা ফাওবদা অয়াম্বা শরুক ৱাৎলিবা হারশিং পীবিদ্রে। দিপার্টমেন্টনা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

কোংগ্রেসনা খোঙ্গ্রাই শৎলিঙৈদা ষণনা ব্রাইরে

সুপ্রিম কোর্টতা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিগী কেস প্রী-পোন তৌবীনবগী হায়জনবা খন্নরিঙৈদা গোবিন্দাস এম এল এদগী রিজাইন তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস) : বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংলক্লিবা চুংশিন্নবা লৈঙাকনা এম এল এ ১২বু পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং ওইহল্লুবগী মায়োক্তা হায় কোর্টতা ৱাকৎনরকপদগী কোর্ট অসিনা থৌওং অদু ইনভেলিদ অমসুং অন কন্সটিট্যুসনেল ওইবা থবকনি হায়খিবদগী সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং ওইহল্লুবা এম এল এশিং অদু দিসক্কালিফাই তৌগদবনি হায়দুনা ঈ সী আইগী মথক্তা ফাইল তৌখিবা কেসকী হিয়ারিং থা অসিগী ২৬তা পাঙথোক্লুবা মতুংদা এপেক্স কোর্ট অসিনা কেস অসিগী মথংগী হিয়ারিং ওগষ্ট ২৬তা লেপখিববু খরা ঙনখৎনা চিংখৎলগা কেস অসিগী হিয়ারিং পাঙথোকপীনবা সুপ্রিম কোর্টতা কেস অসিগী পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপ্লিবা সিনিয়র কাউন্সেল অমগী খূত্থাংদা হায়জনবা থৌরাং তৌনরিঙৈগী চৈরক্তা পার্টি অসিগী ২৬-বিষ্ণুপুর এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী কারকখিবা গোবিন্দাস কোন্থৌজম এম এল এ ওইবদগী রিজাইন তৌখ্রে।

হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মনুংদা অনীশুবা এম এল এ মশীং খ্বাইদগী য়াম্না লৈরিবা কোংগ্রেস পার্টিগী মনুংদা ওইরক্লিবা ফীভম অসি গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা মপুন্সি লোইশিল্লক্লবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী মেম্বর ওইবদগী তোকথোকখিবা অসিনা অহানবদি নত্তে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা সেপ্টেম্বর ১৭, ২০২০দা পীখিবা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিং হাপচিল্লুবগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকখিবা রিট পিটিসন অমসুং পি আই এলশিংগী কম্মন জজমেন্টদা থৌওং অসি অন কন্সটিট্যুসনেল ওইবদা নত্তনা ইনভেলিদ ওইবা থৌওংনি হায়বদগী কোংগ্রেস এম এল এ দি দি থাইসিনা পিটিস্নর ওইদুনা এপেক্স কোর্ট অসিদা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ১৫১ ওফ ২০২১ ফাইল তৌখিবনি।

মহাক্কী পিটিসন অসি খক্তা নত্তনা ষ্টেট ওফ মণিপুরনা অতোপ্পা মীওই অমগা লোয়নরগা হায় কোর্টনা পীখিবা জজমেন্ট অদুগী মায়োক্তা স্পেসল লিভ পিটিসন (সী) নম্বর ২০০১-২০০৫ ওফ ২০২১সু ফাইল তৌখিবনি। মসিদগী হেন্দে দারক্তুনা বি জে পিগী এম এল এ লৈশাংথেম সুসিন্দ্রো মৈতৈ (য়াইমা) না অতোপ্পা মীওইশিংগা চুংশিন্নদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজমেন্ট অদুগী মায়োক্তা অতোপ্পা এস এল পি (সী) নম্বর ২৩৮৬-২৩৯০ ওফ ২০২১সু ফাইল তৌখি। এস এল পি অনীমক অসি কোংগ্রেস এম এল এ সুর্য্যকুমার ওক্রম অমসুং অতোপ্পা মীওইশিংগী মথক্তা ফাইল তৌখিবনি।

সুপ্রিম কোর্টনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরিশিংগা মরী লৈনবা মেটর অহুম্মক অসি মে ৭, ২০২১ অমসুং থা অসিগী ৫দা থেঙ্খাং নাইনা লৌখৎতুনা খন্নরগা মেটর অহুম্মক্কী মরী লৈনবা রেসপোন্দেন্টশিংদা নোটিসনচিংবা ইস্যু তৌখ্রবনি। এপেক্স কোর্টনা ইস্যু তৌখিবা নোটিসশিংগী মতুংইন্না কাউন্টর এফিদেভিটনচিংবসু সবমিট তৌনরকখ্রবনি। অদুবু থা অসিগী ৫দা জষ্টিস এল নাগেশ্বরা রাও অমসুং জষ্টিস অনিরুধা বোসনা মেটর অসি লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা মসিগী ফাইনেল দিস্পোজেলগীদমক থা অসিগী ২৬তা ফিক্স তৌনবা দিরেক্সন পীখিবনি।

অদুম ওইনমক মেট্টরশিং অসি পুল্লপ থা অসিগী ২৬তা লৌখৎতুনা খন্নরকপদা পিটিস্নর দি দি থাইসিগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলনা ফাইল তৌখিবা পিটিসন অদুগী শরুক্তা শেমদোক শাদোকপা খরা তৌজগে ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

খদ্রক তৌরম্বা ১ জেলদা থাজিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচএনএস): নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা নন লোকল অমনা শেমজিন শাজিনবা কোভিদ-১৯গী নেগেটিভ রিপোর্ট অমা পায়দুনা কোলকটা তম্না পাইগদবা ফ্লাইট অমদা তোংননবা হোৎনরম্বদগী ইন্দিগো ফ্লাইটকী ওফিসলশিংনা তৌরকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না ফারগা জেলদা থাজিনখ্রবা মতুং ঙরাংসু নন লোকল অমনা অশাবা নেগেটিভ রিপোর্ট পায়দুনা ফ্লাইট তোংননবা হোৎনরম্বদগী ফারগা জেলদা থাজিনখ্রে।

জেলদা থাজিনখ্রবা মীওই অদুগী মমিং শাইক হুসেন (২৭) কৌই। অন্ধ্র প্রদেশকী ভিজিয়া নাগারামগী টু টাউন পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কোথা পেতা গৌদি ষ্ট্রীটতা লৈবনি হায়রি।

মহাক্না ঙরাং ইন্দিয়ন এয়রলাইন্সকী ফ্লাইট নম্বর ৮৯০দা তোংদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী চৎননবা হোৎনরকপদা মহাক্কী চে-চাংশিং য়াওনা কোভিদ টেষ্টকী রিপোর্ট চেক তৌরুবদা অশাবা কোভিদ-১৯ টেষ্টকী রিপোর্ট অমা পায়রম্বনি হায়রি।

মহাক্না ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মথং থাগী ১২দা মহাক্কী ময়াম্বগী লুহোংবগী থৌরম য়াওনবগীদমক ইম্ফালদগী গোৱা তম্না পাইননবা ফ্লাইট টিকেট অমা থা অসিগী ২৪দা বুক তৌখি। লোয়নননা য়াইঙংপোকপীদা লৈবা ভারাহ ইনফ্রা লিমিটেদকী ৱার্ক সাইদতা লৈরকখিবা মহাক্না টিকেট বুক তৌখ্রবা মতুং ঙরাং অয়ুক মফম অদুদগী ইম্ফাল এয়রপোর্ট তম্না লাকখিবদা কোভিদ-১৯গী নেগেটিভ ওইবগী রিপোর্ট য়াওদ্রবদি ফ্লাইট তোংবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

অসামনা চথরক্লিবা ব্লোকেদ লোইশিন্নবা হোম মিনিষ্ট্রিদা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচএনএস): নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা অসাম অমসুং মিজোরাম অনীগী মরক্তা থোকখিবা থৌদোকশিং অদুনা মরম ওইরক্তুনা থা অসিগী ২৬তগী মিজোরামগা লৈবাক অসিগী অতোপ্পা মফমশিংগা অসাম ফাওদুনা শম্নহল্লিবা নেসনল হায়ৱে-৩০৬তা চথরক্লিবা ব্লোকেদ অসিবু গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মীৎয়েং চঙবীদুনা খুদক্তা ব্লোকেদ অসিবু লৌথোকহন্দুনা নেসনল হায়ৱে অসিদা মহৌশাগুম পোৎ চৈ অমসুং পেসেঞ্জরশিং পুবা গাড়ীশিং চৎহনবগা লোয়নননা রেল লম্বীসু মহৌশাগুম অপনবা য়াওদনা চৎহনবীনবা ৱাকৎখ্রে।

ৱাকৎ অসি ঙসি মিজোরাম গভর্ণমেন্টকী সেক্রেটরিনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী সেক্রেটরিদা অইবা চেরোল ওইনা পীশিনখিবনি।

মিজোরাম গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী মিনিষ্ট্রি অসিদা পীশিনখিবা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নেসনল হায়ৱে ৩০৬ অসি মিজোরামদা ইসেন্সিএল কম্মোদিটিজশিং পুশিল্লকবগী মরু ওইবা হায়ৱেনি। অদুবু চথরক্লিবা ব্লোকেদ অসিনা মিজোরামগী মীয়ামগী পুন্সিদা অকায়বা থোকহল্লে। মিজোরাম অমসুং অসাম শম্নরিবা অতোপ্পা লম্বীশিংদসু গাড়ীশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদা অসাম ...মখা লামায় ৩ কলম ২

কোংগ্রেসনা মিরাবাই চনুবু তরাম্না ওকখ্রে

HOM MIRA
Pay SAIKHOM MIRABAI CHANU
Five lakhs only
or Bearer
₹ 5,00,000/-

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস) : টোকিও ওলিম্পিককী ৱেথলিফটিং মশান্নদা সিলভর মেদল লৌরক্তুনা ইরমদম মণিপুর খক নত্তনা ইন্দিয়াগী মীপুম খুদিংমকপু মালেমদা শক্তাক্লিবী সাইখোম মিরাবাইবু ইকায়খুম্নদুনা তরাম্না ওকপা অমদি থাগৎপা ফোঙদোকপগী থৌরমশিং মখা চথরি। ঙসিসু মিরাবাইগী পোক্নফম লমদম ওইরিবা ইম্ফাল ইষ্টকী লম্লাই এ সীগী মনুংচন্না লৈরিবা নোংপোক ককচিংগী কম্যুনিটি হোলদা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী লুচিংবশিং, তোঙান-তোঙানবা লুপশিং অমদি পঞ্জাব নেসনল বেঙ্ককী টিম অমসু লাক্লমদুনা মিরাবাইবু পুক্নিং থৌগৎপগা লোয়নননা শেলগী মনাশিং পীখ্রে।

লম্লাই এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা অচোইবম দেবেননা শীন্দুনা ‘ফেলিসিটেসন ওফ গ্রেট দোটর ওফ ইন্দিয়া ফোর্ম মণিপুর সাইখোম মিরাবাই চনু’ হায়বা থৌরমদা ষ্টেট অসিগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবি অমদি মণিপুর প্রদেশ কোঙ্গ্রেস কম্মিটিগী সী দল্লিয়ু সীগী মেম্বর গাইখাঙাম, ইন্টরিম প্রসিদেন্ট এন লোকেন, এম এল এ কে মেঘচন্দ্র, এ কে মিরাবাই অমদি তোঙান-তোঙানবা লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

মিরাবাইবু ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়নননা হরাওবা ফোঙদোকপা অমসুং পুক্নিং থৌগৎপগী থৌরম অদুদা এম ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

হায় কোর্টনা কন্টেনমেন্ট জোনগী মীওইশিংদা ঈশিং ফংহন্নবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচএনএস): মণিপুর গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ শন্দোরকপা থিংনবগীদমক লৌখৎলকপা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা কন্টেনমেন্ট জোনগী অথিংবা থমজিনখিবনা মরম ওইরদুনা চান-থক্নবদা শীজিন্নবা ঈশিং (সেফ দ্রিঙ্কিং ৱাটর) নচিংবা মীয়ামগী মরু ওইবা পোৎলমশিং অমসুং ইসেন্সিএল কম্মোদিটিজনচিংবা ফংহন্দ্রে হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলকপদগী কোর্টনা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকই হায়রিবা মফমদুদা লৈরিবা মীয়ামদা মথং থাগী ২ ফাওবা ঈশিং ফংহন্নবা দিরেক্সন পীখ্রে।

পিটিসন অসি ইম্ফাল ইষ্টকী লমলাইগী চালৌ মনিং লৈকায়দা লৈবা মশাগী চহী ৭৮ লোম শুরবা মোইরাংথেম মায়পাক কৌবা মীওই অমনা পিটিস্নর ওইদুনা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) ওইনা ফাইল তৌরকখিবনি। মহাক্কী ৱাকৎ অদু কোর্টনা পি আই এল নম্বর ৩৮ ওফ ২০২১ ওইনা রেজিষ্টর তৌরগা ঙসি জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিন অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চনা লৌখৎলগা খন্নখিবনি।

পিটিস্নরগী পি আই এল অসি মণিপুর গভর্ণমেন্টকী চীফ সেক্রেটরি, পব্লিক হেল্থ এঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টকী কম্মিস্নর/সেক্রেটরি, লোয়শঙ অসিগী ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

পোজিটিভ ১০০৩ থেংনরে, ১২ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচএনএস): ঙসি নুংথিল কোভিদ-১৯ কন্মন কন্ট্রোল রুমগী রিপোর্টকী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অনৌবা কোভিদ পোজিটিভ কেস ১০০৩ থেংনবগা লোয়নননা হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা মীওই ১২ লৈখিদ্রে হায়রি।

ঙসি থেংনখিবা অপূনবা পোজিটিভ কেসশিং অসিগী মনুংদা অনীনা সী এ পি এফনি অদুগা ১০০১ (নুপা ৪৮২, নুপী ৫১৯ না মীচম মীয়াম) নি হায়রি। কেসশিং অসি থেংনখিবা মফমশিংনা রিমস ৩১, জেনিমস ৮৯, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ৬৬০ অমসুং অতৈ টেষ্টিং সেন্টরশিংদনা ২২৩ থেংনবনি হায়রি।

পোজিটিভ ওইখ্রবা মীওইশিং অদুনা ইম্ফাল ইষ্ট ২২১, ইম্ফাল ৱেষ্ট ২৬৪, থৌবাল ৪৮, বিষ্ণুপুর ১৭৬, ককচীং ৪৫, উখ্রুল ১১, চুড়াচান্দপুর ৯০, চান্দেল ২৫, সেনাপতি ৮, তমেংলোং ৩১, তেংনৌপল ১, ফেরজোল ১, নোনে ৩৬, কাংপোকপী ৩৬, কামজোং ৫ অমসুং জিরিবামদগী ৩নি হায়রি।

অমরোমদা, ষ্টেট লেভেল কোভিদ-১৯ দেথস ওদিট কম্মিটিনা পীরকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মীওই ১২ লৈখিদ্রে হায়রি। ঙসি লৈখিদবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা ৯না কো-মোবির্দিটিজদগীনি। অদুগা মীওই ৩না ফর্ষ্ট দোজগী হীদাক কাপথোকখ্রবা মীওইশিংনি হায়রি।

অদুম ওইনমক ঙসি লৈখিদবা মীওই ১২ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ১৫১০ শুরে হায়রি। অদুগা ঙসি দিসচার্জ তৌখিবা মীওইশিংগী মশীংনা ৮৭১নি। মসিগী মনুংদা হোম আইসোলেসন্দগী ৩৭৫, রিমস ২১, জেনিমস ৮, সী সী সীশিংদগী ২৪৮ অমসুং সী ঐচ আই সীশিংদগী ২১৯নি হায়রি।

ঙসি থেংনবা অনৌবা পোজিটিভ কেস ১০০৩ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ৯৫,৮২৪ (মীচম মীয়াম -৯১,৮৫০, সী এ পি এফ - ৩,৯৭৪) শুরে। রিকোভর তৌখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ৮৩,৩৯২ (মীচম মীয়াম - ৭৯,৪৭৫, সী এ পি এফ - ৩,৯১৭) শুরে। হৌজিক লৈরিবা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

সেসন্স জজ গুনেশ্বরনা ত্রেনিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচএনএস): ‘চীফ মিনিষ্টর কোভিদ-১৯ এফেক্তেদ লাইফলিহুদ সপোর্ট স্কিম’ অমসুং ‘চীফ মিনিষ্টর বাল সেবা’ হায়রগসু খঙনরিবা ‘চীফ মিনিষ্টরগী অঙাংগী তেংবাঙ’ (সী এম এ টি) হায়বা টোপিকশিংসিগী মতাংদা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী পেরা লিগেল ভোলুন্টিয়রশিং অমসুং পেনেল লোয়রশিংগী নোংমগী ওইবা ওনলাইন ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (দি এল এস এ) তমেংলোংগী চেয়রমেনসু ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্ট অরিবম গুনেশ্বরনা হৌদোক্তুনা পাঙথোকখ্রে।

দি এল এস এ, তমেংলোংনা শীনবা ঙসিগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিবু হৌদোকপগা লোয়নননা মসিদা শরুক য়াখিবশিংবু সেসন্স জজ এ গুনেশ্বরনা তরাম্না ওকখি অমসুং ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিগী টোপিকশিংগী মতাংদা নুংগী ওইবা ৱারোলশিং ফোঙদোকখি।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী পি এল ভি অমসুং পেনেল লোয়রশিংগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিবু হৌদোক্লদুনা মহাক্না হায়, মতম শাংনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিককী লোকদাউন ষ্টেট পূম্বদা মতম শাংনা থম্লকপনা ষ্ট্রীট ভেন্দর, রিক্সো পুল্লর, পেসেঞ্জর দ্রাইভর অমসুং দুকান ফম্বা মীওইনচিংবশিংগী নোংমগী পুন্সিদা শাথীনা শোকহল্লে। মরম অসিনা মীওইশিং অসিনা মায়োক্নরিবা অৱাবশিং অদু খরদং ওইরবসু কোকহন্নবগীদমক মণিপুর গভর্ণমেন্টনা চীফ মিনিষ্টর কোভিদ-১৯ এফেক্তেদ লাইফলিহুদ সপোর্ট স্কিম অমসুং ...মখা লামায় ৩ কলম ২

শজিব্রা ১সুং ইম্ফাল সেন্ট্রেল জেলদা প্রিজিনর ৫৮৭ থল্লি

অন্দর-ট্রাইএল প্রিজিনর ১৬কী ইন্টরিম বেল অমসুং কনভিক্ট ৪গী পেরোল শাংদোকহনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিগী হৌজিক লৈরিবা মণিপুর সেন্ট্রেল জেল, শজিব্রা অমসুং মণিপুর সেন্ট্রেল জেল, ইম্ফালদা মথংশিংনা প্রিজিনর ৫৬৩ অমসুং ২৪ লৈরি হায়বা ৱাফম দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (প্রিজন্স)কী মায়কৈদগী হায় পৱর কম্মিটি (ঐচ পি সী) গী থা অসিগী ২৬তা পাঙথোকখিবা ১৩শুবা মীটিংদা ফোঙদোরকখিবগা লোয়নননা কম্মিটি অসিগী মীফমনা লৌখিবা ৱারেপশিংগী মনুংদা মণিপুরদা হৌজিক মায়োক্নরিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম অসি য়েংলদুনা অন্দর-ট্রাইএল প্রিজিনর (য়ু টি পি) ১৬তা পীখিবা ইন্টরিম বেলগী মতম অমসুং কনভিক্ট ৪দা পীখিবা পেরোলগী মতমশিং মথং থাগী ১দগী হৌরদুনা ওক্টোবর ৩১, ২০২১ ফাওবা শাংদোকহন্নবা রেকমেন্দ তৌখ্রে।

ৱাফম অসি মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) গী দেপ্যুটি মেম্বর সেক্রেটরি সোরোখাইবম সদানন্দনা ঙসি থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী দিরেক্সন মতুংইন্না কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মায়োক্নরকপদগী জেলশিংদা কঞ্জেসন/ওভর ক্রাউদিং থোকহন্দনবগীদমক লৌখৎলকপা থবক্কী মনুং চন্না প্রিজিনরশিংবু বেল নৎত্রগা পেরোলদা থাদোক্লবগী থবকশিং য়েংশিন্নবা হায় পৱর কম্মিটি শেমখিবনি। হায়রিবা কম্মিটি অসিগী মীফম ১২ রক পাঙথোকখ্রে।

অদুম ওইনমক হৌজিক জেলশিংদা লৈরিবা কোভিদ পোজিটিভ ...মখা লামায় ৩ কলম ২

হেপাটাইটিস বি ত্রিটমেন্ট সেন্টরশিং লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৮ (ঐচএনএস): ঙসি চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিএটতা পাঙথোকখিবা চীং লেন্নবা থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টরনা জেনিমস অমসুং রিমসতা মোদেল হেপাটাইটিস বি ত্রিটমেন্ট সেন্টরশিং লোঞ্চ তৌখ্রে।

থৌরম অসি মালেমগী মফম পূম্নমক্তা ঙসি ‘হেপাটাইটিস কেন নোট ৱেট’ গী থিমদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড হেপাটাইটিস দে, ২০২১গা মরী লৈননা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী নেসনল হেল্থ মিসনগী ষ্টেট হেল্থ সোসাইটিনা শীনবনি।

থৌরম অসিদা ৱা ঙাঙলদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, ঙসি জেনিমস অমসুং রিমসতা লোঞ্চ তৌরিবা মোদেল হেপাটাইটিস বি ত্রিটমেন্ট সেন্টরশিং অসিদা হেপাটাইটিস বিগী লায়েং অমসুং মসিগী হীদাক লাংথকশিং লেম্না ফংহল্লগনি। ত্রিটমেন্ট সেন্টরশিং অসি হাংদোকপনা ষ্টেট অসিদা লায়না অসিবু লাকশিনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি। চহী খুদিংগী জুলাই ২৮দা ৱর্ল্ড হেপাটাইটিস দেগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। নুমিৎ অসি ভাইরেল হেপাটাইটিসকী মরমদা মালেমগী মীয়াম্বু এৱেয়র্নেস পীখিবা অমসুং হেপাটাইটিস বি ভাইরসকী ভেক্সিন পুথোক্লম্বা নোবেল প্রাইজ ফংখ্রবা সাইন্টিষ্ট ডা. বারুস ব্লুমবর্গকী মপোক নুমিৎনি।

হেপাটাইটিস ভাইরেল অসি মালেম অসিদা মীওইবগী পুন্সি মাঙহনবা লায়নাশিংগী মনুংদা অমনি। মরম অসিনা লায়না অসিবু ইন্দিয়া য়াওনা মালেমগী মফম খুদিংমক্তা মীয়ামগী হেল্থ প্রোব্লেম অমনি হায়দুনা মশক খঙই। লৈবাক অসিগী নেসনল ভাইরেল হেপাটাইটিস কন্ট্রোল প্রোগ্রাম (এন ভি ঐচ সী পি) অসি কুমজা ২০১৮দা লায়না অসিবু কুমজা ২০৩০ ফাওবগী মনুংদা মুখৎনবগী পান্দমদা লোঞ্চ তৌখিবনি। মণিপুরদসু প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট পূম্নমক্তা য়ামদ্রবদা মথৌ পাঙথোক্লিবা ভাইরেল হেপাটাইটিস ত্রিটমেন্ট সেন্টর অমমম লৈ হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা ষ্টেট অসিদসু এন ভি ঐচ সী পিগী ষ্টেটসকী মতাংদা পল্লদুনা মখা তানা হায়, হৌজিক ফাওবদা হেপাটাইটিস বিগীদমক্তা মীওই ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫